## লৌমীশিংগী য়ুনিয়ননা দিল্লি দেহরাদুন নেসনেল হায়ৱে তাং ১দগী থিংগদৌরি

*মুজাফরনাগর, জনুৱারি ৩০ঃ*
ভারতিয়া কিসান য়ুনিয়ন (বি কে য়ু)গী থৌমীশিংনা দিল্লি–দেহরাদুন নেসনেল হায়ৱেগী নাওলা খুঙ্গংদা দিমান্দ কয়া তৌদুনা লম্বী থিংবগী থবক চথখ্রে।

বি কে য়ুগী প্রসিদেন্ট নরেস টিকাইনা ঙসি মুজাফর নাগরগা নক্কনা লৈবা সিসোলিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ফেব্রুৱারি তাং ১দগী নেসনেল হায়ৱে থিংজিনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অদুনা হায়, থৌমীশিংনা সিসোলিদগী নাওলা খুঙ্গং ফাওবদা খোঙচৎ কয়া চৎপগা লোয়ননা খোঙজং চংশিনগনি হায়না লাউথোকখি।

উত্তরপ্রদেশ সরকারনা চিনি পুথোকপা য়াবা মচাকশিংগী মতাংদা লেপখিবা মমল অদু য়াবা ঙম্লোই। লোয়ননা সুগর মিলগী মপুশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা ওইনা থোক্কনি। বি কে য়ুনা মখা তাবা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

## বাষ্টরদা মাওইষ্ট অহুম হাৎখ্রে

*ৰাইপুর, জনুৱারি ৩০ঃ*
ছটিসগরগী তোঙান–তোঙানবা মফম অনিদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা অথিংবা থমখ্রবা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট)কী মীওই অনি হাৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক উট্টরপ্রদেশকী পাষ্টর লমদমদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অনি থোকখি। সুগমা দিষ্ট্রিক্টকী পালামাদাগু খুঙ্গংদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মাওইষ্টকী নুপী কাদর অনি লৈখিদে। মখোয়গী হকচাংশিং ফংবা ঙম্লে।

অনিশুবা থৌদোক্তা বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টকী পানুর খুঙ্গংদা নোংমৈ কাপ্নবদা মাওইষ্টকী কাদর অমা হাৎখি হায়না বাষ্টর রেঞ্চ ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস আর পি কালুরিনা ফোঙদোরক্লি।

সুগমাদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মাওইষ্ট নুপী কাদরশিং অদু মশক খঙদোকপা ঙম্লে। মখোয় অদুদি ভানজাম সান্তি অমসুং ভানজাম পোজেনি হায়রি।

হায়রিবা মীওইশিং অদু পালামাদাগু রেঞ্জদা মাওইষ্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা মীওইশিংনি হায়রি। মীওইশিং অদুদগী লোকেল মেদ নোংমৈ অমসুং য়ুনিফোর্ম অমদি নোংমৈ মরু কয়াসু ফংবা ঙমখি হায়রি।

## দাকু চন্দন গাদারিয়া হাৎখ্রে

*শীভপুরি, জনুৱারি ৩০ঃ*
শীভপুরি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কেবিন জঙ্গলগী লমদমদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা তমথিবা দাকু চন্দন গাদারিয়া হাৎখ্রে হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা মীওই অদু লুপা লিশিং ৩০গী মনা পুবা মীওইনি। খোদচাওকি লমদমদা দাকুশিং অদু লৈরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থমখি।

ঙসি অয়ুক পুং ৪ রোম তাবদা অশুকপা জঙ্গল অদুদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকখি। আইননা য়াদবা খুৎপু অদুনা পুলিসতা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

খুৎ থোক্লবদা গাদারিয়া পুলিসকী খুৎতা লৈখিদে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসার উরেসিনা ফোঙদোরক্লি।

মফম অদুদা লৈরম্বা আইননা য়াদবা কাংবুগী মীওইশিং অদু অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা নাম্থোক্তুনা চেনখি। পুলিসনা মফম অদুদগী নোংমৈ অহুম কাপ্পা য়ারিবা মরু কয়া ফংবা ঙমখি।

মফম অদুদগী পুলিসনা ১২ বোর রাইফল অমসুং অতোপ্পা নোংমৈ অনী ফংবা ঙমখি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না খুৎ থোক্লনবগী থৌদোক অদুদা আইননা য়াদবা কাংবুগী মীওই কয়া অশোক অপন নংলম্বা য়াই হায়রি। মফম অদুদা মখা তানা থি–হুম্বগী থবক চথখ্রে হায়রি।


মাওইষ্টশিংনা ষ্টেট অহুম্দা অকনবা থবক চথরকপনা মরম ওইরগা লৈঙাক্তা চাওনা শিংনবা অমা থোকহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা খুৎলায়পায়বশিং অদু থেংননবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়না কুরেসিনা ফোঙদোরক্লি।



*মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবগী নিংশিং থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাত্মা গান্ধিগী নিংশিং খুভমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা*

## পার্লিয়ামেন্টকী থবক থৌরমশিংদা অপনবা থোকহন্দনবা বেঙ্কয়া নাইদুনা ওপোজিসন পার্টিদা আপিল তৌখ্রে

*হায়দ্রবাদ, জনুৱারি ৩০ঃ*
য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর এম বেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা অরুনাচল প্রদেশ, রোহিথ বেমুলা অমসুং বজেট মীফমগী মতাংদা খন্নবদা খুদোংচাদবা লৈরোই। অদুম ওইনমক মীফম চথবদা ওপোজিসন পার্টিনা য়ৈখায়–থিনগাইবা থোকহনবীদনবা আপিল তৌখ্রে।



*য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর এম বেঙ্কয়া নাইদু*

ৰাথোক করিসু লৈতে। সরকার অসিনা হিরম খুদিংমক খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ। অরুনাচল প্রদেশ অমসুং রোহিথ বেমুলা মথন্তা শিজখিবগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা ৰাথোক ওইহন্নবা হোৎনরি।

অরুনাচল প্রদেশতা ওইরিবা ফিভম অদু অতোপ্পদা থোক্লোই হায়বা লৈতে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফিভম খুদিংমক য়েংশিল্লি। হৌজিক পার্লিয়ামেন্টকী মফম চথবদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবা ফিভম অনী লৈ। মদুদি অরুনাচল প্রদেশকী ৰাথোক অমসুং হায়দ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই অমা লৈখিদবা অদুনি।

কংগ্রেস পার্টিনা দিমোক্রেসিগী মচৎকী মতুং ইন্না থবক তৌবা পান্নবদি পার্লিয়ামেন্ট মীফম চথবদা য়ৈখায় থিনগাইবা থোকহল্লোইদবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা লৈরিবা ৰাথোক খুদিংমক খন্ন–নৈনবা তাঞ্জা লৌগদবনি। মদু সরকার অসিনা আশা তৌরি। সজেসন তৌরকপদা নত্তনা হিরম কয়াগী মতাংদা খন্ন–নৈনবা দরকার ওই।

অদুম ওইনমক মীফম চথবদদি অপনবা পীরোইদবনি হায়না বেঙ্কয়া নাইদুনা ফোঙদোরক্লি। কংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা ৰাথোকশিংদা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরি।

মমল হোংবা রাজনিতি তৌননবা হোৎনরোইদবনি। ওইরিবা ফিভম অসি অরুবা অমনি। রোহিথ ভেমুলা শিজখিবগী মতাংদা জুদিসিয়েল কম্মিসননা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়খি।

## লালু প্রসাদ সুপর মিনিষ্টরনি, নিতিস কুমারনা হং–লাইনি ঃ বি জে পি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ঃ*
বিহার সরকারনা আর জে দি (রাষ্ট্রিয়া জনতা দল)গী লুচিংবা লালু প্রসাদকী মথক্তা লৌখৎখিবা কেস হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা তাক্লিবদি আর জে দিগী লুচিংবা লালু প্রসাদ সুপর চিফ মিনিষ্টরনি। অদুগা চিফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা মহাক্কী মথংদা লৈবা মীওইনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টিনা মরাল শিখ্রে।

নিতিস কুমার বিহারগী হংগী লাই ওইবা চিফ মিনিষ্টরনি। মহাক্কী সরকারগী মনুংদা লৈবা এম এল এ কয়াগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস কয়া লাকপদা তুম্নিনা লৈশিল্লি। মদু য়াম্না ইকায়নিংঙাই ওইবা অমনি হায়না বি জে পি নেসনেল সেক্রেটরি শ্রীকান্ত শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

আর জে দি, জে দি য়ু অমসুং কংগ্রেস চুংশিন্নবা সরকারনা মীখল মমাঙদা বিহারবু চাওনা শেমগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ঙসিদি মীহাৎ মীপুনদা চেন্নবশিং মনিং তমহন্দুনা লৈরে।

কংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ অমনা নুপীমচা অমা ফাদুনা পুখিবগী ৰাথোক লৈ। অদুগা জে দি য়ু গী এম এল এ অমনা পুলিসতা কিহল্লম্বা কয়াসু লৈখি হায়না ফোঙদোরকখি।

শর্ম্মানা বিহারদা ওইরিবা মীহাৎ মীপুন, মী ফাবা অমসুং হুরান চিন্থি তৌবগী ৰাফম কয়া পুথোরক্লি। বিহার সরকারনা লালু প্রসাদ অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনীগী মথক্তা লৌখৎখিবা কেস হন্দোকখ্রে।

ফিভম অসি য়েংলগা হায়বা য়ারিবদি লালু প্রসাদ বিহারগী সুপর চিফ মিনিষ্টরনি। অদুগা নিতিস কুমারনা মহাক্কী হংগী লাইনি হায়বসিনি হায়রি।

পটনাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অমনা ঙসি লালু প্রসাদকী মথক্তা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকখিবা কেস থুপচিনখ্রে। মদু লালু প্রসাদ অমসুং মহাক্কী মচানুপা অনিগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেসকী মতুংদা ৱায়েল অদু লাউথোকখিবনি হায়রি।

## কামদুনি গেঙ রেপ, মীহাৎকা মরী লৈননা মীওই ১ শিবগী দন্দি পীখ্রে

*কোলকতা, জনুৱারি ৩০ঃ*
কামদুনি গেঙ রেপ অমসুং মীহাৎকা মরী লৈননা ঙরাং ষ্টেট অদুগী মরু ওইবা কোর্টতা চথখিবা ৱায়েলদা নুপী কয়ানা অহকপা দন্দি পীননবা খোল্লাউ কয়া লাউশিল্লকখি।

কামদুনি গেঙ রেপ অমসুং মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা চহী অনীগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী চথরকখিবা ৱায়েলদা কোর্টনা চহী ২১ শুরবা মীওই অমা শিবগী দন্দি পীখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অহুম্না মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী দন্দি পীখি।

এদিস্নেল সেসন জজ সানচিতা সরকারনা অমিনুন আলি, সাইফু আলি অমসুং অন্সার আলি লোয়না লোয়ননা ইমানু ইস্লাম, অমিনুল ইস্লাম অমসুং ভোলা নাস্করদা ইং ২০১৩গী জুন ৭তা নুপী অমা গেঙ রেপ চথরবা মতুং হাৎখিবগী মতাংদা তোঙান–তোঙানবা দন্দিশিং পীখি।

অতোপ্পা মীওই অহুমদা করিগীদমক শিবগী দন্দি পীদ্রিবনো হায়বা ৱায়েৎ কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎলকখি। অদুম ওইনমক কোর্ট অদুনা কুপ্পা য়েংশিল্লবা মতুং দন্দি অদু পীখিবনি হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF MINORITES AND OTHER BACKWARD CLASSES : MANIPUR**

TENDER NOTICE
Imphal, the 18th January, 2016

No. A/127/2015-MOBC (Housing)/20 : In pursuance of the Government letter No. 6/8/2015-MOBC (Housing Scheme) dated 7th January, 2016. Tenders in two bids system (Technical and Financial) are invited by Director, Minorities and Other Backward Classes, Manipur on behalf of the Government of Manipur through e-tendering for supply of CGI Sheets of dimension (0.40mm x 800 mm x 3000 mm) under Housing Scheme of the Department of Minorities and Other Backward Classes, Government of Manipur for the year 2015-2016 in two-bid systems (Technical and Price Bids).

2. Tender is to be submitted on-line through e-procurement/tender portal https://manipurtenders.gov.in

**The critical dates of bids are as follows :**

| Particular | Start Time & Date | End Time & Date |
|---|---|---|
| Publishing/downloading Tender Documents | 12:00 hrs of 20-01-2016 | 14:00 hrs of 20-02-2016 |
| Seeking Clarification | 12:00 hrs of 20-01-2016 | 11:00 hrs of 01-02-2016 |
| Bid Security (EMD) & Tender Fee both as Bank Draft in original | 11:00 hrs of 01-02-2016 | 14:00 hrs of 01-02-2016 |
| Submission Tender Documents | 11:00 hrs of 01-02-2016 | 14:00 hrs of 01-02-2016 |
| Technical Bid Opening | 11:00 hrs of 24-02-2016 | |
| Price Bid Opening | 13:00 hrs of 26-02-2016 | |

3. Modification/Amendment/Corrigendum, if any shall not be advertised in the newspapers, but shall be uploaded in the website only.

SLC/31

**(Kh. Dineshchandra Singh)**
*Director/MOBC,* Manipur

## সিরিয়াদা চাবা ফংদবদগী মীওই ১৬ শিরে

*দমাস্কস, জনুৱারি ৩০ঃ*
সিরিয়াগী সহর মাদয়াদা লাল থোকপনা মরম ওইরগা মীওই ১৬ চাবা ফংদবদগী লৈখিদ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৩৩না শিবা য়াবা ফিভমদা লৈরি হায়রি।

লমদম অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। এম এস এসনা লমদম অদুদা মীওই ৩০ হেন্না চারা হেনবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

চৎলিবা চহী অসিগী হৌরকপদা মাদয়াদা তঙাইফদবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অথু–অকায়গী ওইনা থাজিনখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক লমদম অদুগী মীওই লিশিং ৪০ রোমদি খুদোংচাদবা ফিভমদা মায়োক্লরি।

সিরিয়াদা থোক্লিবা ৰাথোক অদুগী মতাংদা জিনেভাদা পাঙথোক্কদবা য়ু এনগী মীফমদা ওপোজিসন কাংবুশিং লাকখিদ্রে। ওপোজিসন কাংবুশিং অদু থাঙজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা শান্তিগী ৱারি শান্নবগীদমক থুংলগনি হায়বগী থাজবা লৈ।



*সিরিয়াদা লাল থোকপনা মরম ওইরগা চাবা ফংদ্রবা মীয়াম*

য়ু এনগী মতুং ইন্না মীওই লাক্ষ ৪ রোম লাংদা থুবগুম্না তৌফম খঙদনা লৈরি। মদু সিরিয়াদা লাল থোকপনা মরম ওইহনখিবনি। চীংগী লমদম ওইনা তৌবা মাদয়া হায়না খঙনবা সিরিয়াগী কোনুং দমাস্কসতগী কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা লৈবা মফম অদুদা থা ৬কী মমাঙদগী সরকার অমসুং অতোপ্পা কাংবুশিংগা খুৎ থোক্লবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

হ্যুমেনেটেরিয়ান এজেন্সিশিংনা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুদগী মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেনরি। লমদম অদুদা হৌজিকসু হিদাক লাংথক্কী মতেং ফংদবা অমসুং চিঞ্জাক ৱাৎপগী ফিভম মায়োক্লবগা লোয়ননা মীওই কয়া নাদুনা লৈরি।

লমদম অদুদা চানবা চিঞ্জাক ফংদবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চারা হেন্দুনা শিহনবা য়াবগী ফিভম লৈরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬ চানবা চিঞ্জাক ফংদবনা মরম ওইরগা শিহনখ্রে।

মফম অদুদা আনা–লায়েং চথগদবা দাক্টর অমত্তা লৈতে। দিসেম্বর অমসুং জনুৱারি থা ফাওবদা মীওই কয়া চানবা চিঞ্জাক ফংদবনা মরম ওইরগা শিহনখ্রে হায়রি।

## টর্কি সমুদ্র খোঙবালদা হি লাকশিনবদা মাইগ্রেন্ট ৩৯ শিরে

*অঙ্করা, জনুৱারি ৩০ঃ*
টর্কিদগী গ্রিসতা চংশিন্নবা হোৎনরকখিবা মাইগ্রেন্টশিংনা তোংলকপা হি এজেন্ট সমুদ্রদা লাকশিনবদা অঙাং কয়া য়াওনা মীওই ৩৯ লৈখিদ্রে।

মফম অদুদগী টর্কি রেক্যু ফোর্সনা মীওই ৬০ কনবা ঙমখি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না হি লাকশিনবদা শিবা মীওইশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

লাল থোকপনা মরম ওইরগা টর্কিদগী গ্রিস অমসুং অৱাং থংবা য়ুরোপতা মাইগ্রেন্ট লিশিং কয়া খুদোংথিনিংঙাই ওইবা সমুদ্রগী লম্বীদা লাক্তুনা চংশিন্নবা হোৎনরি।

ইন্টর্নেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আই ও এম)না হায়, ইরাই নুমিৎতা মেদিটেরেনিয়ন সমুদ্রদা গ্রিস অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেনরকখিবা মাইগ্রেন্ট ৫৫,৫৩৮কী মনুংদা মীওই ২৪৪ ইরাক্লদুনা শিহনখ্রে হায়রি।

নুমিৎ খুদিংগী চংশিল্লকখিবা মাইগ্রেন্টশিং মশিং য়েংলগা হৌখিবা চহী অনীদা চংশিল্লকখিবা মশিং চাওনা হেনগৎলক্লি। মমাঙদা মাইগ্রেন্ট কয়া হি লাকশিনবনা মরম ওইরগা গ্রিসকী ইথক সামোজকী সমুদ্র খোঙবালদা মীওই কয়া শিরে।

মমাঙ চহীদা মাইগ্রেন্ট মিল্লিয়ন কয়া য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চংশিন্নবা হোৎনরকখি। খরা অমনা য়ুরোপ য়ৌবা ঙমখি। অদুগা কয়া অমনা খুদোংথিবা নংখি হায়রি।

## নিংখাইরবা খোং মনুংদা লৈরুরবা মাইনরশিংনা মী কনবা কাংবুশিং থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

*সান্দোং, জনুৱারি ৩০ঃ*
চাইনাগী সান্দোং প্রোভিন্সতা লৈবা খোং অমদা নুমিৎ ৩৬ থোকপা য়াদনা লৈরুরবা মতুং মী কনবা কাংবুনা পুথোরকখ্রবা মতুং মীওইশিং অদুনা চাইনাগী মী কনবা কাংবুশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী সান্দোং প্রোভিন্সতা লৈবা খোং অদুদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫দগী মীওই কয়া থোরকপা ঙমদনা লৈখি। মী কনবা কাংবুনা খোঙ অদুদগী মীওই ১৫ রোম কনখি। অদুম ওইনমক মীওই অমদি কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ১৩না থিবা খঙদ্রি হায়রি।

চাইনিজ ওথোরিটিনা কনবা ঙমখ্রবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে। মী কনখিবা অদুগীদমক থাগৎলি। মখা তানা মীওই কয়া কনবা ঙমগদৌরিবগে হায়না লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈনুংদা ফুমজিন্দুনা লৈখ্রবা মীওইশিংগী ফোন ফাওনবা ঙমখিদ্রে। লৈমায়দগী মিটর কয়া লুথনা হুৎলিবা খোঙ অদুদা থোকপা য়াদনা লৈখ্রবা মীওইশিং কন্ননবা মীওই ৪০০ রোম্মা অকনবা থবক পায়খৎখি হায়রি।

## রসিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মেগ্নিচুট ৭ য়ৌবা য়ুহার হাখ্রে

*মোস্কো, জনুৱারি ৩০ঃ*
থাঙজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা রসিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মেগ্নিচুট ৭ য়ৌবা অকনবা য়ুহার হাখ্রে। অদুম ওইনমক অশোক অপন অমসুং অমাং অতা থোকপগী পাউ ফংবা ঙমদ্রি।

য়ুএস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরকখিবদা য়ুহার অদু রসিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবালগী কামচৎকা ক্রাইগী চীংগী লমদমগী লৈনুংদা কিলোমিটর ১৬০ রোম লুবা মফমদগী হৌরকখিবনি।

রসিয়া ইম্মর্জেন্সি সিচুয়েসন মিনিষ্ট্রিনা ফিভম অদু কুপ্পা য়েংশিল্লি। য়ুহার হাখিবা অদুগী ইপিসেন্টর য়েলিজোভোদগী কিলোমিটর ৮৪ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা ইপিসেন্টর ওইখি হায়রি।

লমদম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা মেগ্নিচুট ৫.০গী চাংদা নিকহনখি। য়ুহার হাখিবা অদুনা মরম ওইরগা অমাং–অতা অমসুং অশোক অপন নংবগী পাউ হৌজিকমক্কী ওইনা ফংবা ঙমদ্রি।

রসিয়া একদেমি ওফ সাইন্সেসকী মতুং ইন্না মেগ্নিচুট ৫.২গী চাংদা আফটর সোক লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মফম কয়াদা নিকহনখি।

হায়রিবা মফম অদু য়ুহার তোয়না হাগনবা পেসিফিক ওসিনগী মৈগী চীং তোয়না পোকখায়বা য়াবা রিং ওফ ফায়রগী মনুং চনবা মফমনি হায়রি।

**সনা–সুদোকু– ৫০২গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 8 | 4 | 1 | 5 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 2 | 5 | 7 | 6 | 9 | 3 | 1 | 8 |
| 2 | 7 | 4 | 6 | 3 | 1 | 9 | 8 | 5 |
| 8 | 5 | 9 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 5 | 9 | 8 | 2 | 4 | 7 |
| 7 | 8 | 6 | 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 |
| 3 | 9 | 2 | 8 | 5 | 4 | 6 | 7 | 1 |
| 5 | 4 | 1 | 9 | 7 | 6 | 8 | 3 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-503**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 9 | 3 | | | | |
| | | 4 | | | 2 | | 9 | 8 |
| | 5 | 9 | | | 4 | | | |
| | | 7 | 2 | | 8 | | | |
| 5 | | | 6 | | | 9 | | |
| | | 8 | | 5 | | 6 | 7 | |
| 2 | 9 | 1 | 5 | | | 8 | 3 | |
| | 6 | | | | | | | |
| 4 | 8 | 5 | | 2 | 9 | | 6 | 7 |

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 34/SDC/B/IE of 2016

(1) **Kshetrimayumn Mohendro Singh,** S/o (L) Mohon Singh
(2) **Kshetrimayumn Mema Devi,** W/o (L) Rupo Singh
(3) **Kshetrimayumn Biren Singh,** S/o (L) Mohon Singh
(4) **Kshetrimayumn Surjit Singh,** S/o (L) Mohon Singh
(5) **Kshetrimayumn Subashini Devi,** D/o (L) -do-
(6) **Kshetrimayumn Biramangol Singh,** S/o (L) -do-
(7) **Kshetrimayumn Shyamsundor Singh,** S/o (L) -do-
(8) **Kshetrimayumn Gukullo Singh,** S/o (L) -do-
(9) **Kshetrimayumn Ngangbiton Devi,** D/o (L) -do-
All are residence of Khongman Zone - III

Petitioners

-Vs-

**Kshetrimayum Mohon Singh,** S/o (L) Angangjao Singh of Khongman Zone - III

O.P.

**NOTICE**
Basikhong, the 30th January, 2016

অসিনা মরম ওইদুনা Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫১–খোংমন পাট্টা নং ৩৩১ অনৌবা দাগ নং ২৪১, ২৪৩ এন্দ ২৪৪ মোট এরিয়া .৬৮+.৭০+.৮০=২.১৮ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার ক্ষেত্রিয়মুম মোহোন সিংহ পীতা মৃঃ অঙাংজাও সিংহ সাং খোংমনদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ললাক্লিব তাং ৬।০২।২০১৬গী পুং ১২.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (objection) চে পীশিনলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপটি (objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

SLC/0131/31

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 33/SDC/B/IE of 2016

**Thokchom Ibeyaima Devi,** W/o (L) Ashok Meitei of Kongba Nandeibam Leikai

Petitioners

-Vs-

**Thokchom Ashok Meitei,** S/o Tejmani Meitei of Kongba Nandeibam Leikai

O.P.

**NOTICE**
Basikhong, the 30th January, 2016

অসিনা মরম ওইদুনা Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৩৭ নান্দেবম লৈকাই পাট্টা নং ৯৭৪ / ১০৪৯ অনৌবা দাগ নং ৬০১ / ৬৮১ মোট এরিয়া .০১৪০২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার থোকচোম অশোক মৈতৈ পীতা মৃঃ তেজমনী মৈতৈ সাং কোংবা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ললাক্লিব তাং ৬।০২।২০১৬গী পুং ১২.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (objection) চে পীশিনলবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপটি (objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

SLC/0131/31

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East